ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯖꯅꯨꯋꯥꯔꯤ ꯰꯶, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯸꯰ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
য়ূমশকৈশা, জন্যুৱারী ০৬, ২০২১, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ২৮০শুবা মশীং

# মণিপুরদা টুরিজম

## শেল-থুমগী ফীভম ফগৎহনবদা অচৌবা মতেং ওইগনি হায়বসি খঙমিন্নসি

টুরিজম হায়বসি লৈবাক অমগী শেন্মীৎলোন শেমগৎননবগী ফরবা খূৎলায় অমনি। খূৎলায় অসিগী পান্বেনা এসিয়াগী মনুং চন্না লৈবা থাইলেন্দ, সিঙ্গাপুর, মালেসিয়ানচিংবা লৈবাকশিং মরোমদোম লেপচবা ঙম্বদা নত্তনা চাওখৎলবা লৈবাক ওইরক্লি। লান্মীনা শক্তি পায়রিবা ম্যান্মার ফাওবা টুরিজম চাওখৎননবা মীৎয়েং থল্লগা মপান লমদগী টুরিষ্ট লাকপদা অথিংবা থল্লম্বা ফাওবা কোমথোকখ্রে। লৈবাক কয়াদা টুরিজম চাওখৎহন্নবা শেলয়াম থাধদুনা হোৎনরি। ইন্দিয়াদসু গোৱা য়াওনা খা থংবা শরুক্তা ষ্টেট গভর্নমেন্টশিংনা টুরিজম চাওখৎহন্নবা হোৎনৈ। উত্তর প্রদেশকী মনুং চন্না লৈবা অগ্রাদা চহীগী ওইনা তাজমহল য়েংবা লাকপশিংদগী কারকপা ইনকমনা মণিপুরগী চহী অমগী বজেটতগী হেনগনি হায়না লৌনরি। নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংগী মনুং চল্লিবা অরুনাচল প্রদেশ অমদি সিক্কিমদা লম কোয়বা লকপা টুরিষ্টকী মশীং অঙকপা ওইরি। লম কোয়বা হায়বসি মীওইবগী পূক্নীং, হকচাংগা মরী লৈনবা মরম্না শেল তিংবা পাম্মুদনা লৈবাক অসিগী মনুংগী মীওইবু ওইরবসু, অতোপ্পা লৈবাক্তগী লাকপবু ওইরবসু ফজে, নুংঙাই হায়বা মফম অদুখক্তবু তান্নরকই। টুরিষ্টশিংনা অপাম্বা খূদিংমক ফংবা ঙম্বগীদমক থাইলেন্দ মমিং চৎলি। পোৎ-চৈ মমল কা হেন্না তাঙদবা, মফম অদুগী মীয়াম্না টুরিষ্টশিংবু তরাম-তরাম্না তৌবা অমসুং লৈঙাক্না টুরিজম সেক্টর চাওখৎহন্নবা হোৎনরিবা কয়াশিং অদুনা মরম ওইরগা ইন্দিয়াদগীসু মীওই কয়া থাইলেন্দদা চৎনরিবনি। খূৎশেমনা নীংথিজনা শেল্লগা ওইহনবা টুরিষ্ট স্পোটশিংগা মহৌশাগী লাইরেম্বীনা পীথোরকপা টুরিষ্ট স্পোটশিং খূৎশেম্না অমুক শেমজিন-শাজিনবদা অনী অসিগী নীংথিবা য়াম্না খেন্নে। মীয়াম্নসু মহৌশা লাইরেম্বীগী খূৎশেমনা পীবা টুরিষ্ট স্পোটশিং অদুতবু তান্নে। মণিপুরদা খূৎশেমগী ওইবা টুরিষ্ট স্পোট নীংথি নুংঙাইনা লৈতে। অদুবু ফজরবা মহৌশা লাইরেম্বীনা খূদোল তল্লিবা মফম কয়ামরুম টুরিষ্ট সেন্টর ওইনা নীংথিনা শেমগৎপা ঙল্লব্রা হায়বদুমদি হৌজিকসু হায়বা ঙমদ্রি।

ইম্ফাল ইষ্টকী হৈঙাংদা লৈবা ইবুধৌ মার্জিংদা পাঙথোকখিবা ক্লিনলিনেস কেম্প্যেনগী থৌরমদা শরুক য়াখিবা টুরিজম দিরেক্টর দল্লিয়ু ইবোহলনা, ষ্টেটসিদা শেল লৈতে লৈতে হায়রিবা অসি মণিপুরগী মপান্দগী টুরিষ্ট নীংথিনা লাক্লবদি লমদমসিগী শেল-থুমগী ফীভম চাউনা ফগৎহনগনি। মীওই লাখ ৭ লোমতা লৈবা সিক্কিমদা চহী ১দা টুরিষ্ট লাখ ২১ রোম লাক্লি অমদি সিক্কিমগী ইকনমি অসি টুরিজমদা দিপেন্দ তৌই হায়না ফোঙদোকখ্রে। মসিমক য়াম্না চুম্লবা ৱাফমনি। ষ্টেট অসিদা মপান্দগী টুরিষ্ট অমা লাকপা মতমদা মহাক্না তঙাইফদনা শেনফম কয়ামরুমদি শীজিন্নরমগনি। টুরিষ্ট অদুনা শীজিন্নরিবা শেনফম অদু ষ্টেট অসিদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা লমশিংদা থবক তৌরিবা মীওই কয়াদসু কান্নবা ফংলমগনি। টুরিষ্ট অমনা নোংমদা লুপা লিশিং ১০গী চাংদা চাদিং তৌরক্লবদি চহী ১দা টুরিষ্ট লাখ ১ খক লাকপদা লুপা ক্রোর ১০০ চাদিং তৌরমগদৌরিবনি। মসিনা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা মীয়ামগী শেল-থুমগী ফীভম ফগৎহনবদা চাউনা মতেং ওইগদৌরিবনি। মীশিং য়াম্লগা লায়র তাল্লি হায়বা ৱাহন্থোক হৌজিক্তি মতমগা চুনদ্রে। ইমুং অদুদা মীওই কয়া লৈ, থবক শুবা ঙম্বা অমসুং ঙমদবা মীগী মশীং পাথোক্লরগা ইমুং অদু নুংঙাই য়াইফবা ইমুংনি নৎত্রগা নুংঙাই য়াইফবা ইমুং নত্তে হায়বদু লেপথোকপা য়াই। হৌজিক্কী মতম অসিদদি ইমুং অমা নুংঙাই য়াইফবা নৎত্রগা অৱাবা হায়বসি শেন্থোক লম্বীদা পুন্নমক য়ুম্ফম ওইরকই। মণিপুরদা টুরিজম নীংথিনা চাউখৎলকপা মতমদা শেন্মীৎলোন্দা অমদি শেল-থুমগী ফীভমদা চাউনা অহোংবা লাক্কনি। মসিনা লমদম অসিগী মীয়ামগী শেল-থুম ফগৎহনবদসু মতেং ওইগনি। মরম অসিনা টুরিজম চাউখৎহনবনা মীয়ামগী শেল-থুমগী ফীভম ফগৎহনবদা অচৌবা মতেং ওইগনি হায়বসি পুন্নমক্না খঙমিন্নসি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯

১) "কমদৌনা ওকচগদগে অনৌবা চহীবু/মংগারকপগী চোৎলবা ফিজোলসিদা/মৈরীনা কোয়শিল্লক্লিবা লমদমসিদা?" মণিপুরগী অফাওবা স্কোলর অমসুং কবি অমনা হায়রম্বনি। কবিদু কনানো, কদাইদা (য়াওফম) হায়রম্বনো?

২) মণিপুরগী শক্লাইরবা কবি অমগী সাহিত্য একাদেমি এৱার্দ ফংখিবা লাইরিক অমদা য়াওবা শৈরেং মতেকনি পীরিবা অসি। কবি কনাগী করি লাইরিক্কী করম্বা শৈরেংদগী লৌথোরকপনো? - "নাপনগা লোয়ননা/থাজরুই ঐনা/পুন্সিবু থৌরি হায়না ঐনা/মথক্তা তোংদুনা শগোল থৌবগুম।/অদুবু থংনবা মীৎকুপ্তা/পুন্সিনা চোংশিল্লক্তুনা নম্মী ঐবু;/পুনত্রে তুই ঐহাক লৈমায়দা/হাইহৎতুনা,/পুন্সিনা থৌরকই তোংদুনা ইথক্তা/লোংনা তারিবা ঐগী।"

৩) "লুপথখ্রবা হিনাউ" হায়বসি করম্বা মখলগী কনানা ইবা লাইরিকনো অমসুং অহানবা ওইনা করি চহীদা ফোঙবগে?

৪) "সন্ধ্যা থাউমৈগী মৈরী' হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবা করি লোলগী লাইরিক্তগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো?

৫) "চায়নরোল" হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মতমদা ইরম্বনি হায়না লৌনবগে?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারী ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# বেক্টেরিয়াগী মায়োক্তা মথৌ তৌবা এন্টিবাইওটিকশিংগী অনৌবা কাঙলূপ অমা

সাইন্সকী খোঙচৎ

**কুঞ্জো নাওরেম**




ঙসিগী চাওখৎলবা মালেমসিদা বেক্টেরিয়া অমসুং অতৈ মাইক্রোওর্গানিজমশিংবু হাৎপা, মশীং য়ামখৎহন্দবা নৎত্রগা মথৌ তৌহন্দবা ঙম্বা এন্টিবাইওটিক অমসুং এন্টিমাইক্রোবিএল কয়ামুক লৈরে। অদুবু লাইবক থীবদি, অসিগুম্বা হীদাকশিংবু লান্না শীজিন্নবা নৎত্রগা অতোপ্পা মরম অমদগী মহিক অদুনা হীদাক অদুগী ময়াইদা হিংবা ঙল্লকপা, হায়বদি মহিক অদুনা হীদাক অদুদা রেজিষ্টেন্ট ওইরকপা অসিনি। ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দল্লিয়ু ঐচ ও) গী মতুংইন্না, এন্টিমাইক্রোবিএল রেজিষ্টেন্স (এ এম আর) অসি হকশেলগা মরী লৈননা মীওইবা খুন্নাইবু মালেমগী থাক্তা খ্বাইদগী কিহল্লক্লিবা ১০গী মনুংদা অমনি হায়রি। লূপ অসিনা পাবগী মতুংইন্না কুমজা ২০৫০দা এন্টিবাইওটিক-রেজিষ্টেন্ট ইনফেক্সনশিংনা চহী খুদিংগী মী মিলিয়ন ১০ শিহনগনি অদুগা মালেমগী শেন্মীৎলোন্দা ত্রিলিয়ন $ ১০০গী অহেনবা পোৎলুম অমসু পুহল্লক্কনি। হৌজিক ফংলিবা এন্টিবাইওটিক পূন্নমক্না লায়েংবদা রেজিষ্টেন্ট ওইরবা বেক্টেরিয়াগী মশীং অসি নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি। অদুবু অসিগুম্বা বেক্টেরিয়াবু হাৎনবা অনৌবা হীদাকশিংগী মশীংদি খরখক্তা ঙাইরি। মরম অসিনা অনৌবা এন্টিবাইওটিকশিংগী কাঙলূপ অমা পুথোকপগী মথৌ তাদুনা লাক্লি।

চিরবা তানফম অসিদা, য়ুনিভর্সিটি ওফ পেনসিলভেনিয়াগী কেম্পসতা লৈবা 'ৱিষ্টার ইন্সটিট্যুট'কী সাইন্টিষ্টশিংনা পান দ্রগ-রেজিষ্টেন্ট বেক্টেরিএল পেথোজেনশিংবু হকথেংননা হাৎপগা লোয়ননা এন্টিমাইক্রোবিএল রেজিষ্টেন্স (এ এম আর) বু থেংনবদা ইম্ম্যুনগী পাউখুম থুনা পীহনবা ঙম্বা কম্পাউন্দশিংগী কাঙলূপ অমা পুথোকপা ঙল্লে হায়না 'নেচর' চেফোঙ (দিসেম্বর ২৩, ২০২০) দা ফোঙদোকখ্রে। ভেক্সিন এন্দ ইম্ম্যুনোথেরাপি সেন্টরগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর অদুগা দ্যুল-এক্টিং ইম্ম্যুনোএন্টিবোদিজ কৌবা এন্টিমাইক্রোবিএলশিংগী অনৌবা জেনরেসন অমা পুথোক্লবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা, ফারোখ দোতিৱালানা ফোঙদোকপগী মতুংইন্না, মখোয়না লায়েংবদা ৱারবা ইনফেক্সনশিংবু হাৎপা ঙম্বা অদুগা হকচাংদা য়াওজরক্লবা ইম্ম্যুনগী পাউখুমবু হেন্না কনখৎহনবা ঙম্বা অনৌবা মোলিক্যুলশিং পুথোক্লবগীদমক মশা-অনী লোংবা লাল্লোং অমা শীজিন্নখি হায়রি।

হৌজিক লৈরিবা এন্টিবাইওটিকশিংনা, ন্যুক্লিক এসিদ অমসুং প্রোটিন শুংবা, সেল মেম্ব্রেইনশিং শেমগৎলকপা অমসুং মেটবলিক্কী লম্বীশিং য়াওরগা, বেক্টেরিয়াশিংগী তঙাইফদবা মথৌশিংদা লান্দাশিল্লি। অদুম ওইনমক, বেক্টেরিয়ানা এন্টিবাইওটিক অদুনা লান্দাশিল্লক্লিবা মফম অদুবু ম্যুটেসন থোকহল্লগা হীদাক অদুবু ময়াই চমহল্লি নৎত্রগা মপান্দা থাদোকখি। ৱিষ্টার ইন্সটিট্যুটকী থিজিন-লূপ অসিনা, ইম্ম্যুন সিষ্টমনা তাঞ্জাসিদা বেক্টেরিয়া অদুদা মায়কৈ অনীদগী লান্দাশিনহল্লগা রেজিষ্টেন্স ওইহল্লকপা ঙমহন্দে হায়না দোটিৱালানা ফোঙদোক্লি। দোটিৱালা অমসুং মহাক্কী খোঙলোয়শিংনা অয়াম্বা বেক্টেরিয়াগী তঙাইফদবা মেটবলিক্কী লম্বী অমদা মীৎয়েং থল্লগা লম্বী অসিবু এন্টিবাইওটিক শেমগৎলকপগী লান্দাশিনফম ওইনা শীজিন্নখি। মিথাইল-দি-ইরিথ্রিতোল ফোস্ফেট (এম ঈ পি) নৎত্রগা নোন-মেভালোনেট পাথৱে হায়না খঙনবা লম্বী অসিনা অয়াম্বা বেক্টেরিয়াদা সেলনা হিংবদা দরকার ওইরিবা, আইসোপ্রোনোইদ মোলিক্যুলশিং শুংবগী থৌদাং লৌই। থিজিন-লূপ অসিনা আইসোপ্রেনোইদ শুংবদা চঙবা এঞ্জাইম, IspH এঞ্জাইমদা লান্দাশিন্দুনা লম্বী অসিবু থিংলগা মহিক অদুবু হাৎলি।

থিজিন-লূপ অসিনা কম্প্যুটর মোদেলিং শীজিন্নরগা হৌজিক হৌজিক কৈথেলদা ফংলিবা কম্পাউন্দশিংনা এঞ্জাইম অদুগা পুনশিন্নবা ঙম্বগী চাং য়েংখি, অদুগা হীদাক অদুবু পুথোক্লবগীদমক্তা IspH কী মথৌবু থিংবা ঙম্বা মপাঙ্গল কনবা কম্পাউন্দশিংদু খনগৎপা ঙমখি। হান্না ফংলম্বা IspH কী মথৌবু থিংবা কম্পাউন্দশিংনা বেক্টেরিয়াগী সেল ৱাল ফাওদুনা চঙবা ঙমদবনিনা, দোতিৱালা অমসুং ৱিষ্টার ইন্সটিট্যুট কেন্সর সেন্টরদা প্রোফেসর ওইরিবা জোসেফ সালভিনোগা খূৎশম্নরগা বেক্টেরিয়া মনুংদা চঙবা ঙম্বতা নত্তনা, IspH কী মথৌবুসু থিংবা কম্পাউন্দশিং শেমগৎনবা হোৎনরকখি। পেথোজেনিক গ্রাম নেগেটিভ অমসুং গ্রাম পোজিটিভ বেক্টেরিয়া য়াওরগা, এন্টিবাইওটিক-রেজিষ্টেন্ট বেক্টেরিয়া কয়ামুক 'ইন ভিত্রো' (অহিংবা জীবগী হকচাংগী মপান্দা হায়বদি লেবতা পাঙথোকপা) চাংয়েংশিংদা, অনৌবা কম্পাউন্দশিং অসিনা হৌজিক শীজিন্নরিবা হীদাকশিংদগী বেক্টেরিয়া হাৎপগী মপাঙ্গল কনবা হেনবগা লোয়ননা ইম্ম্যুন সিষ্টমবুসু ইথিল পীদুনা IspH হেন্না থিংবা থেংনরম্মী। লাইবক ফরিবা অমনা, নৌনা ফংলকখিবা কম্পাউন্দশিংসি মীওইবদা হু কাহন্দবা ওইরম্বা অসিনি। অসিগুম্বা অনৌবা মোলিক্যুলশিং অসিনা এ এম আরশিংবু হাৎতুনা লায়েং-কাঙলোন্দা অনৌবা জেনরেসন অমা শেল্লগনি হায়না দোটিৱালানা ফোঙদোক্লি। ●

# অমষ্টরদাম ১৯২৮ # 4

- লৈশাংথেম অজিৎ -

নূং হুনবদা মকোক ওইখিবা অমেরিকাগী জোন-কক্লা মিটর ১৫.৮৭ শান্না লংদুনা মালেমগী অনৌবা রেকোর্দ অমা থমখি। মালেমগী রেকোর্দ মিটর ১৫.৭৯ পায়বা জর্মনিগী ইমিলনা অহুমশুবা মনা ফংখি। অনীশুবা তাখিবা হরমেন-ব্রিক্ষনা ব্রুস-বেনেট হায়না মমিং ওন্থোক্তুনা ফিল্ম কুমখি। মহাক্কী ফিল্মশিংগী মনুংদা কুমজা ১৯৩৫দা নমখিবা 'দি এদভেঞ্চর ওফ টর্জান' কৌবা ফিল্ম অদুদা মহাক্না টর্জান শাখি।

হায়জম্পতা তৌখিবগুম্না তা-লংবদসু মালেমগী রেকোর্দ পায়রিবা ফিনলেন্দগী ই পেনতিলা তরুকশুবা পোজিসন তাখি। অদুবু চয়োল অনীগী মতুংদা সনাগী মেদল ফংখিবা স্বিদেনগী সাইনবোর্দ য়েকপা ইরিক-লন্দকভিষ্টনা ফুট ২৩২ ইঞ্চি ১১ লংদুনা মহাক্কী রেকোর্দ অদু থুগাইখি। দিস্কসতা য়ু এস এগী ক্লারেন্স বদ-হাওজরনা মকোক ওইখি অদুবু মহাক মশামক্কী মালেমগী রেকোর্দ অদু য়ৌবদি ঙমখিদে। আয়রলেন্দগী পেত্রিক-ও-কাল্লঘানগী হেম্মর লংবদা মহাক্কা পাবীনবা মী লৈরমদে।

শান্নরোয় ৩৮না দেকাথলোন্দা শরুক য়ারম্মী। মখোয়গী মনুংদা ফিনলেন্দগী পাভো-য়রজেলা (Paavo Yrjola) না পোইন্ট ৮০৫৩ ফংলগা মশামক্কী মালেমগী রেকোর্দ থুগাইদুনা সনাগী মেদল ফংখি। মহাক্না নক্লবা লম্বাদি অনীশুবা মনা লৌখিবা মরৈবাক মচা একিলেস-জরভিনেননি। অহুমশুবা মনা ফংখিবা য়ু এস এগী জে কেনেথ-দোহারতি মমিং লৈবা এথলেটিক্সকী কোচ অমা ওইখি। মহাক্না ইবা "Modern Track Field Athletic" অমসুং "Modern Long Distance Running" মালেম শিনবা থুংনা লোল কয়ানা হন্দোক্তুনা পানরি।

ইরোয়বদা জোনি-ৱেজমুল্লরনা মিটর ১০০গী ফ্রিষ্টাইলদা ওলিম্পিক অমুক হন্না মায় পাক্লম্মী। অসুম্না মিটর ১০০গী ফ্রীষ্টাইলদা ওলিম্পিক অনী থংননা থোইবা ঙম্বা অহানবা এথলিট ওইখি। মহাক্না য়ু এস এগী মায় পাকপা (মিটর) ৪ x ২০০গী রিলে মখোঙ অমা ওইনা সনাগী মেদল অমসু ফংখি। কুমজা ১৯২৪ অমসুং কুমজা ১৯২৮গী ওলিম্পিক্তা মহাক্না পূন্না সনাগী মেদল মঙা, শেঞ্জেংগী অমা ফংখি। মিটর ১০০গী ফ্রীষ্টাইলবু মিনট অমগী মনুংদা লোয়বা ঙম্বা অহানবা নুপানি।

অসিগুম্বা মমিং চৎলবা নুপা অসি হোলিৱুদ ফিল্মদা টর্জানগী শক্তম লৌদুনা কুম্বগীদমক মীংচৎ অমুক্কা হেঙ্গৎখি। বি ভি দি হায়বা অন্দর-ৱায়র কম্পেনি অমনা ইরোয়বদা শেৎনবা ফিজোলগী এদভর্টাইজ তৌবগীদমক মঙোন্দা চয়োলদা দোল্লর ৫০০ পীরম্মী। মতম অদুদা হোল্লিৱুদকী মীওইশিংনা মহাক্কী ফোটো অমা এদভর্টাইমেন্টতা উখিবদগী মহাকপু টর্জানগী শক্তম লৌনবগীদমক হায়জবদা য়ারক্তুনা অহানবা ফিল্ম 'টর্জান দি এপ মেন' হায়বা অদু মায় পাকখি। মহাক্না টর্জান শাদুনা ফিল্ম ১২ কুম্লম্মী। মহাক্কী মতৌ তমদুনা টর্জান শাখিবা ওলিম্পিক্কী চেম্পিয়ন খরদি বষ্টর-ক্রেপ, হরমেন-ব্রিক্ষ অমসুং গ্লেন-মোরিসনি।

মিটর ৪০০গী ফ্রীষ্টাইলদা ওষ্ট্রেলিয়াগী অন্দ্রু-বোয়-চার্লটন অমসুং স্বিদেনগী অর্নে-বোর্গ অকনবা লম্বা তৌনরম্মী; হৌখিবা ওলিম্পিক্তা মখোয় অনীমক ৱেজমুল্লরগী মতুংদা অনীশুবা অমদি অহুমশুবা তাখিবনি। মখোয় অনী কন্না তকখৎনরিঙৈদা অর্জেন্টিনাগী অলবর্টো-জোরিলানা অরোইবগী মিটর ৫০গী মনুংদা মতাই থংবা লেন্দগী হেঙ্গৎলক্তুনা মখোয় অনীবু মায়থীবা পীখি। অর্জেন্টিনা মচা অমনা ইরোয়বদা সনাগী মেদল ফংখিবা অসি অলবর্টো-জোরিলানা অহানবনি। তৌইগুম্বসুং মিটর ১৫০০গী ফ্রীষ্টাইলদা স্বিদেনগী অর্নে-বোর্গনা লমথাবদগী পন্থুংফম ফাওবা হেন্দুনা অহানবা মনা ফংখি। অর্নে-বোর্গ মহাক্কী লৈবাক্তা অসুক্কী মতিক মমিং চৎলি মদুদি স্বিদেন লৈঙাক্না লৈবাক্কী আইন অমা ওইনা মহাকপু মিলিটরিগী মথৌ তৌনবা কৌখৎলম্মী; মতম অদুদা মহাক স্পেন্দা ইরোয়বা য়াওবা চৎলম্মী। স্পেন্দগী হল্লক্লবা মতুংদা মহাকপু জেলদা মতম খরা থল্লম্মী। অদুবু স্বিদেনগী মীয়াম্না মহাক্কীদমক জেলদা অচা-অথক্কী খুদোলশিং মরাং কায়না থাবীরম্মী। মরম অসিনা জেলদা লৈরিঙৈদা মহাক পাউন্দ ১৭ হেঙ্গৎলম্মী। জপানগী য়োশিয়ুকি-টসুরুতানা মিটর ২০০গী ব্রেষ্ট্রোক্তা মকোক ওইদুনা এসিয়াগী ইরোয়বদা সনাগী মেদল ফংবা অহানবা শান্নরোয় ওইখি। থৌরম অদুদা অহুমশুবা তাখিবা টিওফিলো য়লদেফোনজো (Teofilo Yldenfonzo) ফিলিপিন্সকী ইরোয়বদা ওলিম্পিক্কী মেদল ফংবা অহানবা শান্নরোয়নি।

ঈশিংদা চোংথবগী থৌরমদা য়ু এস এগী য়ুলাইস-পিট-দেশ-জার্দিন্সনা স্প্রিংবোর্দ-দাইভিং অমসুং প্লেটফোর্ম-দাইভিং অনীমক থোইখি। মহাক হীরম অনীমক অসিদা ওলিম্পিক্কী চেম্পিয়ন ওইবা অহানবা নুপানি। য়ুলাস-পেটে-দেশ-জার্দিন্স কনাদাগী মানিটোবাদা পোকই অদুবু য়ু এস এগী মীয়ামগী বিচতা চাউরকখি।

অমেরিকাগী মারথা-নোৱেলিয়সনা মিটর ৪০০গী নুপীগী ফ্রীষ্টাইলদা মালেমগী রেকোর্দ থুগায়দুনা সনাগী মেদল ফংখি। হৌখিবা ওলিম্পিক্তসু মহাক্না থৌরম অসিদা মকোক ওইখি। মহাক কনাদাগী দবল-স্কলদা ওলিম্পিক চেম্পিয়ন (১৯২০) ওইখিবা জো-রাইটকা লুহোংখি। অমেরিকান লৈশাবীশিংনা মিটর ৪ x ১০০গী রিলেদসু মালেমগী রেকোর্দ থুগায়রম্মী। মিটর ১০০গী ফ্রীষ্টাইলদা অমেরিকাগী অলবিনা-ওসিপোৱিকা, মিটর ১০০গী বেকষ্ট্রোক্তা হোলেন্দগী মেরিয়া-ব্রাওন অমসুং মিটর ২০০গী ব্রেষ্ট্রোক্তা জর্মনিগী হিলদরগার্দ-স্রাদরনা মাগী-মাগী লৈবাক্কীদমক সনাগী মেদল লৌখি। ঈশিংদা চোংথবদা য়ু এস এগী হেলেন-মিয়ানিনা স্প্রিংবোর্দতা অমসুং লৈবাক অসিগী ইলিজাবেথ-বেক্করনা প্লেটফোর্মদা মকোক ওইখি। ইলিজাবেথনা হৌখিবা ওলিম্পিক্তা স্প্রিংবোর্দতা সনাগী মেদল ফংখি। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## ইবুধৌ কৌব্রু অমসুং মহাদেব

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

'অৱাং কৌব্রু অশুপ্পা লাইয়াম খুন্দা অহানবা' কংলৈপাক্তা লৈরিবা লৈহৌমীশিংনা শক্ল-শোন্দুনা লাক্লিবা ইবুধৌ অসিবু শৈথাজবা লাইরোননি, শৈরোলনি। মীতৈশিংনা হৌখ্রবা মশীং থিঙমদ্রবা চহী-চা কয়াদগী কৌব্রু চীংশাং অসিগী লোইরোই ঙমথবা থেলশিং অমসুং কৌব্রু চীংদোল ময়াগী থেলশিংদা ইহান-হান্না খুন্দাখি থাজনৈ। কনাগুম্বা ফুরুপ অমদি মীতোপ মীয়ানচা অমত্তনা মসি চুমদবনি হায়জিন্নবনি হায়দে, হায়বসু ঙমদে।

কৌব্রু চীংশাংদা লৈরম্বা মৈতৈশিং খা থংবা চীংদোললোমদা হাইথখ্রগা থাংজিং চীংশাং অমদি নাপোমশিংদা মথং-মথং খুন্দারকখি অমদি নোংপোক লৈহৌচীং (লংমাইচীং) দসু য়েক তরেৎকী সলাইচাশিংনা মথং-মথং খুন্দা লৈতারকখি থাজনৈ।

নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী চীংখোং চীংয়াশিং মথং মথং কংথরক্তুনা কৌব্রু, থাংজিং অমদি নোংমাইচীংগী চীংথক অমসুং ফৌদেলশিংদা খুনবালম্বা সলাইচাশিং তম্পাক লমদা খুন্দারকখি। অদুগা মচা মনাই ওইবশিংনা চীংশাং অমদি চীংদোলশিং অসিদা খুন্থোকপীরম্বা ইবুধৌ পুরেলশিং অসিবু লাই ওইনা ঈরাৎতুনা লাকখি অমসুং লাক্লি। মচা মনাই ওইবশিংগী হৌরকফম কৌব্রু চীংগী চীংদোনগী খুভম, থাংজিং চীংগী খুভম অমসুং লংমাইচীংগী খুভমশিং চহী খুদিংগী মতম মতমগী নীংশিং নুমিৎশিং থমদুনা খুরুমজরক্লি অমদি চীংখোং অমসুং তম্পাক লমদমদা খুন্থোক-খুনশেল্লক্লবা তুংদসু ইবুধৌশিং অসিগী খুভমশিং য়াদুনা লাক্লি। চহী খুদিংগী মচা-মনাই ওইবশিংনা হরাও মথোই কানা খুরুমজদুনা অথোইবা অহেনবা, ৱাত্তবা-পাদবা, খুঞ্জাওবা-লৈচাওবা নীজরি, নীংনরি।

যিশু খৃষ্ট, হজরট মহমদ, ভগবান বুধ, চৈতন্য মহাপ্রভু তোঙান তোঙানবা ধর্ম্মগী লুচিংবা লাইপাউ পুবা কয়াদগী য়াম্না কুইখ্রবা ইবুধৌ থাংজিংবু থাংতিং হায়না মিংথোঞ্জিন্নবা হোৎনবা অদুগা চীংথংখোন্বা নিংথৌরেলগী হাক্তক্তা লাকখিবা ময়াং লম্বোইবশিংনা ইবুধৌ কৌব্রুবু কৌব্রু মহাদেব থোঞ্জিনবীবা, থমাইবীখ্রবা লুচিংবশিংনা থাংজিংবু থাংজিং মহাদেব, চীংজেল নারল পাঙ্গনববু মহাদেবনি হায়জিনবীবা, নোংমাইজিং চীংদোনগী পাঙ্গনববু নোংমাইজিং মহাদেব হায়না থোনজিনবীবনা ঙসি ফাওবদা খঙন-খঙনা নোংচুপ্তগী থমাইশিনবা হৈবশিংনা লাল্লে খঙনা শেমদোক্লিংদবা মচা-মনাই ওইবশিংনদি খঙলবসু লৈঙাক্কী ওইবা লৈবাক্কী চৎন-কাঙলোন্দা লাউথোকপীদবনা চীংগী ইচিন-ইনাও খরনা ইবুধৌ কৌব্রুবু মহাদেবনি হায়না লান্না খনবা অমদি চীংকারোই খরনা চীংগী চীংদোন্দা মচিন অহুম লোংবা লোংশা য়ুংশিল্লম্বা থেংনবা য়াওবনা ইবুধৌ অসিবু হিন্দুগী লাইনি খনবদু থাদোকপীয়ু অমদি ইবুধৌ কৌব্রু, ইবুধৌ থাংজিং, ইবুধৌ ৱাংব্রেন, ইবুধৌ পাঙ্গনবগী খুভম পূন্নমক মহাক-মহাক্কী হৌরকফমগী খুভমদা মচা-মনাই ওইবশিংনা মতমগী চান্নবা সনা শঙ্গাই, শঙলেন শাদুনা ঈরাৎ থৌনিজবদা মৈতৈদা নত্তনা চীংশাং পরেং, চীংশাং নাপোমশিংদা তারিবা ইরমদম ইরৈচাশিং অমদি মীতোপ মীয়ানচাশিং ওইরবসু ইপা-ইমা শক্লা মহাক-মহাক্কী মশাইকোন্দা শৈদাংদুনা পুন্সি শিন্থা পাংলিবা-পাংলিবী পূন্নমক্না ইকায়খুম্নবা উৎপনা তাংজফম ফংবগী মমল ওইফম থোক্ত্রা অমদি লৈহৌমীশিংবুসু ইকায়খুম্নবা অমদি নুংশিবা উৎফম থোক্ত্রা?

কৌব্রু অমদি থাংজিংগী খুভমলেনশিং ধর্ম্মগা মরী লৈনদে। ইবুধৌশিং অসিগী খুভমদি মচা-মনাই ওইবশিংনা শাদনা কনানা শাগনি। চীংশাং চীংদোনশিং অসিদি ইবুধৌশিং অসিগী শেংলবা মরমদমনি, ঐখোয়দি মখোয় মখোয়গী মরমদমদা মশাইগোন্দা তাংজবনি, হিংজবনি।

থেংলবসু থেংনা মণিপুর লৈঙাক্না মণিপুর এসেন্সিয়েল এন্দ হিষ্টোরিকেল মোন্যুমেন্ট এন্দ আর্কিওলোজিকল সাইট এন্দ রিমেন্স এক্ট, ১৯৭৬কী মখাদা ইবুধৌশিং অসিগী খুভমশিং সেক্রেদ সাইট ওইনা লাউথোরকপা চীংশাংশিং অসিদা খুন্দারিবা চীংমীশিংনা অয়েৎপা-অপনবা পীগে খনবীগনু, অথিংবা অয়েৎপা পীবদি লাই মীনম চাবা হায়বদু থোক্কনি, মচা-মনাই ওইবশিংদসু ফোংনা শিংনবা অমদি তেমশিংনবা ওইনা থোক্কনি, ইবুধৌশিং অসিদা খঙন-খঙনা লংজবা তাগনি, অথিংবগী খোঙফম হন্দোকপীয়ু। ইপা-ইপু, ইবুধৌশিংগী ৱারী ৱাখোঙ হৌরকলোন খঙবা চীংমী মহৈরোয় অমদি লুচিংলোইশিংনসু অথিংবা পীরিবশিংবু ৱাখল তাহনবীয়ু অমদি থেমজিনবীয়ু, অচুম্বদা য়ূম্ফম ওইরগা ঐখোয় পূন্নমক লেপমিন্নসি অমদি হিংমিন্নসি।

*অদোমগী - চেংলৈচা সোরোখাইবম শ্যামকিশ্বর*
*পৌরাবী ময়ায় লৈকায়*